## হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ১৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩২০শুবা মশীং

# মণিপুরগী মীখল - ২০২২

## ভোট খোম্বদা মীয়ামদা খুরৌ থাংহনগনু

ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ষ্টেট মরিগী য়াওনা মণিপুরগীসু অনৌবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলশিং পাঙথোক্লগনি হায়দুনা জন্যুৱারী ৮, ২০২২দা লাউথোকখ্রিবসি তৌদবা য়াদবদগী মীখল পাঙথোক্লনবনি। দেমোক্রেসিদদি লৈবাক মীয়ামগী লৈঙাক পায়নবা লৈঙাক অমা লৈতবা য়াদে। মীয়ামগী লৈঙাক্লোনদা শরক শিবা য়াদে। ইশম-শম্না মপু পান্দবা য়াদে, লৈতবা য়াদে। মরম অসিনা উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, গোৱা অমসুং উত্তরখণ্ডগী য়াওনা মণিপুরগীসু এসেমব্লিশিংগী মতম (টর্ম) লোইশিল্লকপদগী তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবদগী মীখল পাঙথোক্লবা থবক লৌখৎলকপনি। ফেজ অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগীসু ইলেক্সন নোটিফিকেসনশিং থোকখ্রে। মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিন্নরকখ্রে। মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুটিনি অমসুং ৱিথড্রোৱেলগী থবকশিংসু লৌখৎলকখ্রে। খ্বাইদগী য়াম্না তাঙ্কক ৭ থোক্না পাঙথোক্কদবা উত্তর প্রদেশকীদি এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫৮গী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল ফাওবা ফেব্রুৱারী ১০, ২০২২দা পাঙথোকপা হৌখ্রে। মণিপুরগীনা ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা মথংশিংনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮ অমসুং ২২গী মীখলশিং পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা ফেজ অনী থোক্না মীখল পাঙথোক্লগদবা ইলেক্সনসিগীদমক ভোট খোম্বা (কেম্প্যেন) গী থবক খম থেংনা কল্লে। ঈ সী আইনা কেম্প্যেন চখবা য়াবগী পীরিবা অরোইবা পুংজা ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টিশিং, কেন্দিদেটশিং, সপোর্টর/ৱার্করশিংনা অঙম্বা থাক্তা ভোট খোম্নখিগদৌরিবনি। কেম্প্যেন চখনখিগদৌরিবনি। অনৌবা মীখলগী হৌনবীনি। অরৈবা পাম্বে পুথোক্লদুনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং রিপ্রাজন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫০ অমদি ১৯৫১গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংনা পীবা অয়াবশিংগী মতুংইন্না, অয়াবশিং অদুদগী কাম্থোক্তনা ভোট খোম্বা অমসুং কেম্প্যেন চখবা য়াই। হান্নদগীসু তৌদুনা লাকই, হৌজিকসু তৌরি, মখা তানসু তৌনখিনি, চখনরকখিগনি।

অদুবু ইলেক্সনগীদমক ভোট খোম্বদা, কেম্প্যেন চখবদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীবা, মীয়ামদা খুরৌ থাংহনবগী থৌদৌশিং থোকহনবদি চুম্লব্রা? মরমদি পব্লিক প্লেস অমসুং লন্নাই প্রোপর্টিদা ওইরবসু মীখলগা মরী লৈনবা ফ্লেগ, পোষ্টর, বেন্নর, হোর্দিংনচিংবা থেৎচিনবা-য়েকশিনবা, খিনজিনবগী থবকশিংসি ঈ সী আইনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুংইন্না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা থৌওংশিং চখবগী থবকসি মফমশিং অদুগী মশক থীহনবা (দিফেসদ্) গী থবকশিংনি হায়দুনা লৌথোক্লিবনি অমসুং মৃখৎলিবনি। থেৎচিন-খোৎচিনবা তৌবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী অয়াবা (পর্মিসন) ফাওবা লৌবগী মথৌ তাহল্লিবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক্তি কোভিদ-১৯ পেন্দমিকক্কী অকনবা চৈথেং মায়োক্লবনিনা ঈ সী আইনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা রোদ শো, বাইক/সাইকল/ভেহিকল রেল্লিনচিংবা পূম্নমক থিংজিন্দুনা পাঙথোকহল্লক্ত্রিবনি। য়ুমথোঙ খুদিংদা হাওস কেম্প্যেন চৎপদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থাদনা য়ান্নবদা মীওই ২০দগী হেনবা য়ারোই হায়রিবনি। হোল নৎত্রগা ওপন প্লেসতা মীখলগী মীটিং পাঙথোকপা ফাওবদা অকক্লনা মীওই অসুক্তগী হেন্না পূনবা য়ারোই, মীওইশিং অদুগী চঙফম থোকফম নীংথিজনা থমগদবনি, কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং চেকশিন্না ঙাক্লা চৎকদবনি হায়বগী অকনবা পাউতাক পীদুনা থল্লিবনি। কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তবশিংগী মথক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎলিবনি। ফাদুনা ফাইন ফাওবা থিহল্লিবনি। অদুবু চৈরকসিদা পোলিটিকল পার্টি খরগী লুচিংবশিংনা মখোয়না পায়রিবা ফমশিং অদুগী মতুংইন্না মখোয়দা পীরিবা সিক্যুরিটি গার্দশিং অমসুং অতৈ অহেনবা প্রিভিলেজদশিংগী খুদোংচাবা লৌরগা ভোট খোম্বা চৎপা অমসুং ইলেক্সন কেম্প্যেনদা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বী থিংজিনবা, অচৎ-অওক তৌরিবশিংদা খুরৌ থাংবা থোকহনবা থৌদোকশিং মায়োক্লহল্লকপদি অচুম্বা ওইগদ্রা হায়বনি। ভোট হায়বসিদি ভোটরশিংনা অপাম্বা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীরেপশিং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিংদা পীজসনু। মশা মশানা পামজবা মীরেপ্তা ভোট পীজবসি ভোটরশিংদা পীবা মখোয়গী রাইটনি। হোয়, মসি ওইরগসু মাগী মাগী পার্টিগী মীরেপ্তা নৎত্রগা লন্নাই মীরেপশিংদা ভোট পীবিয়ু হায়দুনা খোম্বগী থবকশিংসু অয়াবা পীবনিনা চখনবা য়াবদগী তৌনরিবনি। তৌজৌ করিসু কায়দে, ইলেক্সনগী হৌনবনি। অদুবু খূৎলায় পায়বা অমসুং পায়দবা সিক্যুরিটি পর্সনেল কোকথোং অমা চয়োম শানা শীজিন্নরগা গাড়ী চরোং চরোং পুরক্তুনা ভোট খোম্বগী থবক চখরকপদি মশাদা শিন্নরিবা পৱারদু লান্না শীজিন্ননীংবা মায়কৈদা শীজিন্নবা (এব্যুইজ তৌবা) ওইনা থোকই হায়বসি খঙগদবনি। মীয়ামগী শেল (পব্লিক মনি) না খূৎশুমল পীদুনা লৈবাক্কী থৌগাই পুহল্লিবা লৈঙাক্কী থৌমীশিং অকক্লবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ভোট খোম্বদা, কেম্প্যেনদা শীজিন্ননবা নত্তে হায়বসিসু খঙজিল্লু। চুম্না খঙবদা নত্তনা খঙবগী হৌনবা থবকশিং পাঙথোক্লবা হোৎনৌ। অদুম্মাইনা তৌরবদি লৈবাক মীয়ামগী অশেংবা মীহুৎ অমসুং পাউখোল্লোইনি হায়ননি। নত্তবদা পৱার পায়রে হায়দুনা অনীংবা অপাম্বা পংতৌ তৌবা চুম্লোই। মদুনা ওইজবা ফংবদগী মাঙজবনা য়াম্না হেল্লক্কনি। চাক চারিবা মীওই পূম্নমক্তি লোইনা খঙনরবনি। মখা তানা তৌরক্কনু। মীয়ামদি উবদা হু তরেৎমুক খারবনি, তরেৎনি চফম হন্নরবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬

১) ***"পত্তুম্মাগী হামেঙ"*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **"মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মৃখৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।"** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **"মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন"** হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **"নোংদম"** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***"মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।"*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) জি গোপে শর্ম্মা, চীংঙামথক ঙক্রাবা লৈরক - (১,২,৫)
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৩) তাওরেম ওংবী সুনিতিবলা, কৈরাও বিত্র মখা লৈকায় - (১,২,৩)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৫) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১)
৬) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩,৪)
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৮) অকোইজম নোংমাইনিংথৌ, খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায় - (১,৩,৪)
***৯) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
১০) এল অমরজিৎ শর্ম্মা, য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায় - (১,২,৪)
১১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
১২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৫গী ৱিন্নর*

***য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬৪

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঐনা শুমাং লীলা য়াওরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী শুমাং লীলাদি মরেং য়াম্না ফন্দুনা লৈরম্মে। শুমাং লীলানা লমদমসিগী তম্পাক লম শিনবা থুংনা কোয়না চৎতুনা মীয়ামদা মথেল কয়াগী নুংঙাইরবা ৱারী-লীলা কয়া উৎতুনা লাকখ্রে। মতম মতমগী খুন্নাইদা থোকপা ৱাথোক-লান্থোক, খুন্নাইগী ইস্যু, মীয়ামগী খোল্লাউ খোগোপ্পা অমত্তা হেক চিংখদবমখৈ শুমাং লীলানা মতিং থোক্না উৎতুনা শান্নে। মীয়াম্না হায়বা কির-কিরবা ৱা কয়া মরী লৈনবশিং হায়বদি লৈঙাক-থৌঙাকপশিংগী নাকোং য়ৌনবা মখৌ পোংনা-পোংনা লাউরকই। শুমাং লীলানা চৈবা ঙমদবা কনা অমত্তা লৈখিদে। চৈবা ঙম্মী হায়দুনা কা হেন্না পংতৌ তৌশিনবসু য়াবা নত্তে। মদু চৎন-কাঙলোন অমা ওইনা ইথোক্তুনা লৈত্রবমকসু, মতমদুগী অহল-লমনশিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না হায়বা য়াবা য়াদবা ৱা কয়া মন্থোক্তুনা শুমাং লীলাগী মশক শাগৎলকখি। থানা য়াম্না কিরিঙৈ মতমদসু থানাদা ওনশিন ওনশিন্দুনা ঙাঙই, মপূক্লিং/মচিন হেক পেনদ্রিফাও চৈথোকই। থানা অমত্তনা শাউদে। মদুবু কনাগী ৱারী/নোভেল ইবশিংনা ওইরো, মীচম অমনা থৌরম অমদা ঙাঙবা ওইরো, মখোয়গী মথক্তা মীৎয়েং চঙলোইদবগী ৱা লৈতে। অদুবু লীলাদা হায়বদদি নোক নোক্তুনা তাই, থানা সিফাইগী ৱা ঙাক নত্তে, মতমদুগী অঙম অথৌশিং, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংদসু ওনশিন ওনশিন্দুনা শেল চাবগী, ওইদ-পাদ ঙাঙবগীবু ওইরো, ভোট কাখ্রগা, মখুঙ্গংদা নোং ফাদোক লাকপা নত্তনা, লৈবাক্কী থবক তৌরবনি হায়দুনা বাবুপড়াদা ময়ূম হোংগৎতুনা লৈখ্রগা নোংমতা খুঙ্গংদা লাকখিদবা, ভোট ময়া য়ৌরকপদা অমুক চাররবা, ময়ামদা মখূৎ লোন্নদুনা খুরুম্বা, মসিদা মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈবা মৈগী চীং পোকখায়বদৌনা থীরেখৈ চৈ ঙাঙবদু কনা অমত্তনা করিসু হায়নদে। লীলাদা ঙাঙবা ৱাবু হায়না থৌওইনা ৱা ওইনা লৌদবগীরাদি খঙদে, কৈসু শাউনদে। তৌববুদি হৌজিকসু অদু মঙাই, শুমাং লীলাদা অসুক য়াম্না ঙাঙলি শক্লিবা, মীয়ামসে লৌরিব্রা লৌদ্রিবরা মেন মান তাদে। লীলাগী ৱাবু হায়না হায়নবা কোঙ্গাই অমা লৈরি। মসিগী চপ চাবা অমা থিগৎ-হুমগৎপা মথৌ তারবনি। মসিগী মতাংদসু ঐ ইশামক্লা ওদিএন্স ফীদবেক হায়দুনা থৌরাং অমা লৌখৎলম্বনি, ফনা য়াম্না মীয়ামদগী কম্মেন্ট খোম্লম্লবনি। দাটা ময়াম অদুদা ষ্টদি তৌরগা ন্যু সিষ্টম অমা শেমগৎনবা হায়দুনা। ক্বেস্নের ফোর্মেট অমা শেম্লগা অখন্নবা ওদিএন্স খরদা য়েন্থোক্তুনা কন্না হোৎনরম্লবনি। অদুবু ঐসি অঙাওবা তাদুনা তোকখি। মসি তৌদবা য়াদে, তৌগদবনি হায়না ঐবু থৌনা হাপখিবদি, লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রনি। মহাক্তনদি নঙনা তৌরিবদু মখা চখখো হায়না কন্না হায়বীখি। মদুগী কান্নবা ময়াম অমা লাক্কনি। য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয়শিংনা মখা ষ্টদি তৌগে হায়বা মতমদা মদুনা অচৌবা পাম্বে ওইগনি তাকপীখিবনি। ঐনা তৌখিবসু মদুগীদমকনি। অদুবু ময়ামসিনা অঙাওবা অমগী ৱাখলগুম ঐবু করেম্নবীখি। য়েন্থোক্লিবা ফোর্মেট অদুগী মরু ওইবা অমদি মদুগী মথৌ তাবা ৱা হায়বীবগী মহুত্তা, মীয়ামদা ৱাথী-ৱারেমনিদা কান্নদবা ৱানি হায়না দাইরেক্ট অদুম হায়বীখি। থৱায় য়াওবা মীয়াম করম্না মখোয়গী অন্সরিং অমদি সজেসনশিং অদু ওফিসতা থিল্লক্লবসু, নৎত্রগা পোষ্টতা থারক্লবসু ঐগী খূৎ য়ৌদ্রিঙৈদা মাঙহনখিবা কয়া অমসু লৈখি। ঐ খঙনা খঙনা খৎনরুদৌদং ঙাইবদগী করিসু তৌবা ঙমখিদে। ইশা ইথন্তা ৱারৌদুনা শাওগৎপা নত্তনা পাম্বে লৈখিদে। ইতুংদা ৱা কন্না কন্না হায়বীখি। অহৈ-অপা য়াম্না শাবা মান্দুনা ফাগি তাহনবীখি। ঐসু ময়ামগা পূন্না চৎমিন্নরিবা কৌবনিনা, মথৌ তাই খঙনা খঙনা মখা চখবা ঙমখিদে।

শুমাং লীলা হায়বসি ময়াম্না ৱা-ৱা নোক্তুনা ঙাইহাক লীলা য়েংলিঙৈদা ইমোসননা পুদুনা কপ্পুরসু, পেন্দুনা নোক্লবসু, হন্থরকপা মতমদদি, মথন্তা লৈবদা, তূম্মমদাইদা লীলাদুগী তাঙ্কক কয়াশিং অদু নীংশিংদুনা মদুগী কান্নবা মচাকশিং অদুনা ৱাখলদা হঙ্গৎ-হন্দা চেনখৎ-চেন্থদুনা শান্নরকই। মদুদা কান্নবা মচাকশিং অদু মনখৎলগা লৌখৎকে লৌখৎলোই হায়দুদি মীদা মীদাদুগী মখা পোনবনি। মতাংসিদা, লমদমসিগী শক্লাইরবা অইবা লৈখিদ্রবা জি সী তোংব্রানা হায়খিবা ৱা অমা লৈ - "শুমাং লীলা হায়বসি ফি শুনবা শুধা-সাপোনগুম্বনি"। ৱাফমসিগী নুংদা লৈরিবদু মীয়াম্নসু লোইনা খঙনবীরে। অদুবু খঙনরিবদুগী মতিক লৌবীব্রা হায়বদুমদি ৱাহং ওইরি। অদুবু লৌদে গাইনা হেক্তা ফোঙনা হায়বসু য়াবা নত্তে। অহল লমনশিং, মমা মপা ওইবশিংনা মচা ৱারকপদা য়াওরিবনি -"নহানগী লীলাদা তৌবদু খঙব্রা, মদু তাজনি" ৱাফম অসিনা হায়রিবদি লীলাদা পীরিবা মেসেজ অদু মীয়ামদা কান্নবা য়াম্না পী হায়বনি। খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা শুমাং লীলানা খরগী মখৈ শুদোক চামথোক্লবসু হৌজিক ফাওবদা হেক কোকপা ঙমদ্রিবদি - লমদমসিদা মরা তাখ্রবা করপসন, মীনুংশি য়াওদবা পুকচেল, তৌহৈদবা বিজিনেস, মশাগী ওইজবা থিবদা মীশক খঙলক্তবনচিংবা কয়া অসিমদি শুদোকপা ঙমদ্রে। হেন্না হেন্নদুম হেনজিল্লক্লি হায়বা তাই। মসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অদুনি, মীদা মীদাদুগী মখা পোল্লি হায়না। খরা অমদি মশা মথন্তা ইকায়বদগী হোংলম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

মমাঙঙৈগী লৈরম্বা লীলাশিংদদি ইচম চম্বা ওদিএন্সশিংগা য়াম্না তোৎশিন্নরম্মী। মখোয়গী অচম্বা পুন্সিরোলদা চঙশিল্লগা শুমাং লীলাগী ৱারী, কেরেক্টর, প্লোটনচিংবা শাগৎলকখি। অদুনা মীয়াম্না মশা মশাদা হেন্না পান্দুনা লীলা য়েংনা য়েংনা ইকায়জদুনা নাকন্দা ফম্মীন্নবশিংদা লোন্না লোন্না য়েংলগা, লীলাদা হায়রিবশিংদু মঙোন্দা ময়ামদুনা য়েংলকপ্রা হায়না লোন্না লোন্না য়েংনরম্মীবনি। অদুনা শুমাং লীলা হায়বসি রুরেল ফেনোমিনন অমদা চঙশিল্লগা মীয়াম্না peasant art অমনি হায়না ফাওবা হায়নরল্লিবনি। অদুবু হৌজিক্তি শুমাং লীলাগী মশক হোংলকপদা অর্বান ফেনোমিনন অমরোমদা কা হেন্না চঙশিনখিদুনা অচম্বা পুন্সিরোলদগী খরা খজিক লাপথোক্লরক্লবগুম উবা ফংনরে। মসিসু কায়দে। মতম মতমগীনি। তৌবতবু শুমাং লীলানা মীয়ামগা কা হেন্না নক্লরম্বা অদুক্তি ওইরক্ত্রবরা হায়বসি ৱাহং ওইরক্লে। ফিজেৎ মক্তা শেৎলবসু, কেরেক্টর অমা শাগৎতুনা দিজাইন তৌবদা মীচম মীয়ামদগী হেন্দোক থোইদোকপা মশক অমা উরকপা অসি শুমাং লীলাগী মচৎতগী খাজিক লৈথোরক্লিবনি। মতাংসিদা খুম্নরিবা পাউখুমদি, মতমনা পুরকপা অহোংবনি হায়বদুনি। অদুসু অদুম য়াই, চুমসু চুম্মী। অদুবু ৱাহংদি- শুমাং লীলাদা শাগৎলিবা করেক্টর অদুগী চৎনরোল, মহাক্কী হেবিট অমদি কেরেক্টর অদুগী মওং মতৌ কয়া অদুগা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা খুন্নাইরোলগা কয়া য়াম্না চুংশিন্নরিবগে হায়বসিনি? করেক্টর অদুগী পুন্সিরোল অদু য়েংলিবা খুন্নাইসিগী মীয়াম্না লামখৎপা ঙল্লিব্রা? ঙমদ্রবদি করেক্টর অদুগী অনৌবা মশক অমা শেমগৎলিবা অদুগা খুন্নাইগা ইশম শম্নবা ঙমদ্রবদি ফনা য়াম্না হায়রবসু ফনা ফবা পাউজেল চেল্লবসু মীয়ামগী থম্মোয় লকা য়ৌবা ঙমগদ্রা ঙল্লোইদ্রা হায়বসি থোরকই। মদুনা য়েংবদদি ফজবা, নুংঙাইবা, অঙকপা অমা ওইনদি উবা, অদুগা ঐগী অকোয়বগী পুন্সিরোলগদি নকশিন্নৌ য়াদ্রবদি মমাঙঙৈ শুমাং লীলানা লৌরম্বা থৌদাং অদুমদি নাথৈহৌরে হায়বসি থোইনা লান্নীংঙাই ওইদে।

আর্ট হায়বসিদি লেঙদনা পুখ্রিদা, খোংবান্দা তুংবা ঈশিংগুম্না লৈগদবা নত্তে। মাদি অরেংবনি। খুন্নাই মীয়ামদুগী পুন্সিরোল অদুনা লেংলিমখৈ ক্রিএটিভিটিসু শোয়দনা লেঙলক্কনি। মরমদি ক্রিএটিভিটি হায়বা অসিদি মী মীদুনা মাগী মাগী ৱাখলদা মোংলরিবা অদু মনখৎতুনা প্রোসেস অমা ওইনা লাক্কদবনি। মীদুনা লাম্বা ফংদবা তাইবঙপান অমদা ক্রিএটিভ ওইবগী লমজঙসু লৈগনি থাজদে। আর্ট হায়বসিদি মীগা অদুম শম্নগদবনি। মী মীদুনা চৎলিবা, উরিবা, তারিবা, য়েংলিবা খুদিংদগী ওইরক্কদবা অমা ওইবনা শোয়দনা আর্টসু লেংলকপা হায়বসিমদি শোয়ফদ্রবা ৱা ওইরে। অদুবু লেংগদৌরিবা খুলেঙ অদুনি ঐখোয়না শেন্নগদৌরিবসি। মতাংসিদনি ঐখোয়না ঐখোয়গী দেষ্টিনেসন অমা থিগদৌরিবসি। দেষ্টিনেসন অমা মাঙদা লৈত্রগদি, লম্বী খঙদনা পংচৎ চৎপা হায়বদু তাগদৌরিবনি। অদুনা পান্দম য়াওদবা, ফিরেপ লৈতবা হায়বসিদি মাঙদা তাবগুম্বনি। ঐখোয়গী পুন্সিদি মঙ নত্তে। পুন্সি হায়বসিদি রিএলিটিনি। অদুনা রিএলিটি রোমদা চঙশিল্লগা ঐখোয়না ঐখোয়গী ফিরেপ অদু লেপফম থোকই হায়বসি ঙসিগী খুন্নাই নৈনবশিংনা হায়রিবা ৱানি। পোইরৈ য়েংনা খোঙকাপ নাহুই তল্লসি, ইশাগী ফিরেপ ইশানা লেপ্লসি। মীনা ঐগী পুন্সিদা চঙশিল্লক্তুনা ঐগী পুন্সি শেম্বীবা ওইথোক্লোই। শুমাং লীলা মতম চুপ্পদা য়াইফরসনু। ●

# মহৈ-মশিন তম্বগী লম্দা টাইৱান

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

কোভিদ-১৯দগী দেলটা ভেরিএন্ট ওইগেরা, ওমিক্রোন ওইগেরা ৱিন্টর ভেকেসন লোইদুনা ইলিমেন্টরি, জুনিয়র হায় স্কুল অমদি সিনিয়র হায় স্কুলশিং লোইনা থোঙ হাংদুনা মহৈ-মশিন তম্বা হৌখ্রে মমাঙ চয়োল ফেব্রুৱারী ১১,২০২২দগী টাইৱান শীনবা থুংনা। লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈশেঙ খুদিংমকসু শেম শাবা লোইরে ওজাশিংনা মানা মানা তম্বীগদবা সিলেবসশিং মাগী মাগী মহৈশেঙশিং অদুগী ৱেবসাইটতা। ঐহাক ইশামকসু শেম শাবা লোইরে লাক্লিবা মথং চয়োল ফেব্রুৱারী ২১দগী হৌনবা। টাইৱান্দা লৈবা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি পূম্নমক চপ মান্নবা মতমসিদা থোঙ হাংদোক্তুনা ক্লাস লৌবা হৌগদবনি। টাইৱান্দা প্রোভিন্স/ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট হানবা কোনবগী ৱাফম লৈতে। টাইৱান লৈঙাক্লা লাউথোকপা মতমদুদা চপ মান্ননা হৌগদবনি। মতাংসিদা হায়জনীংলিবদি, টাইৱান হায়রিবা মীওই লাখ ২২৫ রোম লৈবা ঈথৎ অসিদা মহৈ-মশিন তম্বসি অসুক্কী মতিক চাং নাইনা, নিংথিনা মহৈরোয়শিংদা মহৈ-মশিন তম্বীনবা হোৎনৈ হায়বসিনি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী মহৈ-মশিন তম্বগী লম্বু য়াম্না লূম্না অমদি লুনা লৌবনা ফনা শাথীবা লাইচৎ লাক্তুনসু য়ারিবমখৈ ক্লাস হাংনবা হোৎনৈ। ক্লাস হাংবদা য়াম্না খুদোং থীনীংঙাই ওইরগনা ওনলাইনদা তাকপী-তম্বীগদবনি। মসিনা মরম ওইদুনা মহৈ তমহৌদবা, সিলেবস লোইহৌদবা অমদি চহী মাঙবনচিংবগী ৱাফমসি খঙদে লমদমসিদা। মসিগী মপূং ফাবা, নীংথিজবা সিষ্টম অসিবু উরুরগনি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইজদবা ফাওরিবা, মরু ওইনা হৌরক্লিবা, তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিং। অসিগুম্বা নিংথিজবা সিষ্টম অসি লৈতবনা ইন্দিয়া অমদি ইরমদমগী লুচিংবশিংগী মনুংদা অসুক্কী মতিক মশীং য়াম্না লাইরিক লাইশু হৈতবগী চাং ৱাংলিবা।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা অমদি ইরমদমদা অথুবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মীরেপশিংগী মিং লাউথোরকপদা লাইরিক নীংথিনা তমহৌদবা অমদি ক্লাস নাইন ফাওবা পাস তৌখিদবা মীরেপ ময়াম অমা য়াওরকপদুদা তুংগী মপি মপা ওইরক্কদৌরিবা ইরমদমগী হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং অসিনা ঙসি মহৈ-মশিন তম্বগী লম্সিদা অসুক্কী মতিক শোত্থনা লৈরিবসিদা থম্মোয়দা খল্লুদবা ঙল্লক্তে। ঙসিগী নহারোলশিং অসিনা মহৈ-মশিন চাং নাইনা, মপূং ফানা তমহৌদ্রগা মতৌ করম্না লমদম অসিগী মতিক ময়াই লৈবা, মপালগী মীওইশিংগা থৌনা ফনা ৱা ঙাঙনবদা অমদি থবক্তা মায়োক্লবা ঙমগদৌবা তুংগী মপি মপা ওইরকপা ঙমগদৌরিবা। ষ্টেটকী থাক্তা লৈবা লুচিংবশিংগী লাইরিক লাইশুগী ফীভমদি থমখিসি। য়েংবীয়ু, ইরমদমগী লুচিংবা কয়া ইরমদম অসিবু মহুৎ শিন্দুনা ইন্দিয়াগী লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা মীহুৎ ওইদুনা চৎলবসু ৱা ঙাঙথোকপা ফাওবা ঙমদবদগী ঐখোয়না ফংবা য়াবা খুদোংচাবা অমদি রাইট কয়া ফংদনা লাকখিবা।

লাইরিক লাইশু তম্বগী ফীভমসি ফরক তাবনা ইরমদমগী লুচিংবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবা লুচিংবশিং লাইশুগী থাক নেম্মনখিদুনা মীদিয়াদা, সোসল প্লেটফোর্মদা ৱা নীংথিনা, মপূং ফানা, চুম্না ফোঙদোকপা ঙমদ্রি, মরু ওইনা ইংলিসকী ৱাহৈ খরা শীজিন্নদুনা। মসি হায় হায়দুনা মখোয় ইংলিসনা ঙাঙবা য়াম্না মথৌ তাই হায়জবদি নৎচদে। মতিক ময়াই লৈরবা মালেমগী লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিং, খুদম ওইনা পঞ্জরবদা, Xi Jin-Ping, Pudin মালেমগী ওইবা থাক্তা ৱারী শানবদা মখোয় ইংলিস ঙাঙদে। মসি হায় হায়দুনা মখোয় ইংলিস খঙদে হায়না লৌবদি লানগনি। মখোয়না মমা লোনবু নুংশিজবদগী চাওথোকচনা ঙাঙদবনি অতোপ্পগী মরোল। অদুবু ঐখোয়গীদি কদাই, ইংলিসকী সেন্টেন্স অমা ফাওবা ঙাঙবা ঙমদবা এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর অমনসু ইংলিসতা ঙাঙবগী মথৌ তাদ্রসু হেক্তা থেৎচিল্লকই ইংলিস, মদুসু চুল্লবদি ফৈ। হায়জনীংলিবদি হৈত্রদি ঙাঙবীরুনু হায়বনি। ঙাঙলুদবা অদুনা হেন্না লেমগনি।

ইংলিসপু ওইগেরা, হিন্দিবু ওইগেরা নৎত্রগা অতোপ্পা লোল অমা হেক্তা ওইসনু মহৈ-মশিন খরা মপূং ফানা তমহৌবা হায়বসি হীরম খুদিংমক্তা কান্নবা লাক্কনি। মসি লুচিংবশিংগী ৱাফমখক নত্তে, অতোপ্পা হীরম খুদিংমক্তনি। শান্নবগী লম্দসু মালেমগী ওইবা থাক্তা শান্নবা য়াওরুদুনা মায় পাক্লকপা মতমদা মীদিয়া পর্সনেলশিংনা ৱাহং পাউখুম তৌবদা হিন্দিদসু মপূং ফানা ঙাঙবা ঙমদা অদুগা ইংলিসতসু মপূং ফানা হায়বা ঙমদা তাবদা য়াম্না নুংঙাইতে কংলৈচা অমা ওইনা। মখোয়গীদমক চাওথোকচবদা সুম পেঞ্জদবদো, য়াম্না সেল্ফ-কনফিদেন্স লৈনা হায়হন্নীংবদুগী ৱাফমনি। অদুগা অতোপ্পা লম্শিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা মায় পাক্লবা মীওই কয়া অমসু মালেমগী ফম্বাক্তা কৌথোরকপদা হায়নীংবা ৱা কয়া মপূং ফানা নৎত্রগা সেল্ফ-কনফিদেন্স লৈনা ফোঙদোকপা ঙম্নদবা কয়াসু থেংনজৈ।

অসিগুম্বা অৱাৎপা অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি ঐখোয়গী হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং অসি চাং নাইনা মহৈ-মশিন তমহনবা য়াম্না মথৌ তাই। মখোয়বু চাং নাইনা মহৈ-মশিন তমহনবা ঙমদ্রবদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরনা মতৌ করম্না অফবা, মতিক চাবা লুচিংবা পুথোকপা ঙমগদৌরিবা। মখোয়না ঙসি মহৈ-মশিন নীংথিনা মপূং ফানা তমহৌদ্রবদি হীরম অমত্তদা মপূং ফানা মাঙদা চঙশিনবা ঙল্লোই লোয়ননা ইরমদম খুন্নাই অসি চিংখৎপা ঙল্লোই। মরম অসিনা হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেলশিং অসিবু মপূং ফানা মহৈ-মশিন তমহনগদবনি। অদুবু লাইবক থীবদি, অসুক লুবা হীরম অসিবু ঐখোয়গী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ইরায় লায়না খনবগুম উই। মদুগী ময়েক লাবা খুদম হায়ববু লাইরিক লাইশু হৈবা মিনিষ্টর অমবু শৎ হেক্তা লৌথোল্লগা লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈতবা মীওই অমবু এদ্যুকেসন মিনিষ্টর হেক্তা হাপচিল্লি। লমদম অসিগী হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেল শেম্ববুদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী পার্টি অসিবু কনবনা হেন্না লূম্না উব্রা হায়না খল্লি ঙসি পাল্লিবা ইরমদমগী লৈঙাকসি।

টাইৱানগী মহৈ-মশিন তম্বরোমদা অমুক ওনশিল্লকপদা, টাইৱান্দা মহৈ-মশিন তম্বসি য়াম্না লূম্না অমদি লুনা লৌই

লৈঙাক্লা অমসুং মমা মপা ওইবশিংনা। মরম অসিননি অসুক শাংনা চহী অনী হেন্না লেপ্তুনা চখরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লৈদুনসু টাইৱান্দা চয়োল অমা ফানা ক্লাস লেপ্পা লৈতে। করিগুম্বা নোংমা/নীনি লেপ্পা লৈরসু মতম হোংদোক হোংজিন তৌদুনা অদুম মেনশিল্লি। মমাঙগী সেমিষ্টরদা ওমিক্রোন লাকশিনবদগী চয়োল অমা মাঙজৌননা ৱিন্টর ভেকেসন থাখিবদো মেনশিন্নবা হায়দুনা হন্দক্কী সেমিষ্টর চয়োল অমা মাঙজৌননা হাংদোকই। ঙসিদি ৱিন্টর ভেকেসন লোইদুনা ইলিমেন্টরি অমদি হায় স্কুল মহৈশেঙশিং অমুক হাংবা হৌরে মমাঙ চয়োল ফেব্রুৱারী ১১, ২০২২দগী। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি ক্লাসনা লাক্লিবা মথং চয়োলগী ফেব্রুৱারী ২১দগী লোইনা ক্লাস হৌরগনি। মসিনি ঐখোয়গী লৈঙাক্লা টাইৱান্দগী তমশিনবা য়াবা। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৫গী পাউখুম

১) ***"চাউবী"*** হায়বা ১৯৫৭তা অহানবা ওইনা ফোঙবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা শ্রীভাগ্যসিংহ য়েংখোইবা; লাইরিক মখল : উপন্যাস।***

২) **"কাউরবরা রাস শান্নবগী অহিংদো"** হায়বা দ্রামা অসি দ্রামা অহুমগী পূনশিনবা লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা লাইরিক অদু মমিং করি কৌবগে অমসুং অইবনা কনানো? ***:- লাইরিক্কী মমিং - অশংবা নোংজাবী (অহানবা ফোঙবা ১/৪/৬৭); অইবী - বিনোদিনী।***

৩) **"প্রল্লয়গী মৈরিরক্তগী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা - আর কে মধুবীর, অহানবা ফোঙবা ১৯৯১; লাইরিক্কী মখল - শৈরেং।***

৪) ***"মণিপুর শ্রীগোবিন্দ নির্পণ (মৈতৈ পুরানগী ৱা)"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? ***:- অইবা - শ্রীরাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর, অহানবা ফোঙবা ১৯৮০।***

৫) ***"শ্রী গোবিন্দলীলামৃত (মধ্যাহ্ন লীলা)"*** (১৪ সর্গ ১৮ সর্গ) হায়বা লাইরিক অসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? ***:- হন্দোকপা - অথোকপম বিরবাবু সিংহ; অহানবা ফোঙবা - ২০০৩, জুন ৮।***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।